# শান্ন-খোৎনবনা নহাশিংদা এদ্যুকেসন পীবগী খ্বাইদগী অফবা পান্বে ওইরি : মিনিষ্টর নেমচা



ইম্ফাল,নভেম্বর ১০(ঐচএনএস): শান্ন-খোৎনবনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা এদ্যুকেসন পীবদা খ্বাইদগী অফবা পান্বেশিংগী মনুংদা অমা ওইবদা নৎতনা থকশি-খাশি লৈনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপ্পা লৈহনবদা মতেং পাংলি হায়না টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর নেমচা কিপজেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মিনিষ্টরনা সেকেন্দ এম আর গ্রাউন্দদা কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন জেনরেল হেদ ক্বার্টরসনা শীন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা কে এস ও-জি ঐচ ক্যু চেম্পিয়নশিপ ট্রোফি ২০২০গী লোইশিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী পাৱর হাউসনি হায়না মীয়াম্না খঙনরিবনি। মহাক্না মখা তানা শান্ন-খোৎনবা অমদি এদ্যুকেসননা নহাশিংগী তুংগী পূন্সি শেম্বদা লৌবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ফোঙদোকখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা হেংলেপকী এম এল এ লেটজামাং হাওকিপনা থৌরম মপু, ইচমগী এদভাইজর এন রাজেন্দ্রোনা অখন্নবা মীথুংলেন অমদি কুকি ৱিমেন য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট অভৈহাওকিপনা চীফ হোষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

# মণিপুর মার্শেলসনা সনফিষ্ট কপকী ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল,নভেম্বর ১০(ঐচএনএস): অসামনা য়ূম্বু ওইদুনা গুৱাহাটিগী সাই ফুটবোল গ্রাউন্দদা চথরকপা ৬শুবা সনফিষ্ট কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুর মার্শেলস রিপ্রজেন্ট তৌখিবা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (নেসু) খুরাইনা অন্দর-১৩ অমদি ১৬কী ৱিন্নর ওইখ্রে।

চহী কাঙলূপ অনীমক্তা মণিপুরনা মেঘলায়াগা লম্বা তৌনখি। অন্দর-১৩ কাঙলূপ্তা মণিপুরনা মেঘলায়াবু ৫-০ অদুগা অন্দর-১৬তা ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসি তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিং অমদি স্কুলশিংগী টিম ২৪৬না শরুক য়াদুনা সেপ্টেম্বর ২৬তগী হৌদুনা চথরকখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ইন্দিয়ন ফুটবোলগী হান্নগী কেপ্টেন ভৈচুং ভুটিয়ানা মকোক-মথং তাখ্রবা টিমশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

### এন ঈ ওলিম্পিক্স গেমস
# রেজিয়া অমদি সেলিয়াগী হেটট্রিকনা মণিপুরনা সিক্কিমবু লাকচনা থোইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১০(ঐচএনএস): লাইশ্রম রেজিয়া অমদি লোকতোংবম সেলিয়ানা চনখিবা গোল ৩/৩গী মতেংনা মণিপুরনা সিক্কিমবু লাকচনা ৬-০দা মেঘলায়ানা য়ূম্বু ওইদুনা শিল্লোংদা চথরিবা ২শুবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক্স গেমস ২০২২-২৩গী নুপীগী ফুটবোল মশান্নগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

রেজিয়াগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ১০শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা অমদি হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ১৬ অমদি ৩৬ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

সেলিয়াগী অহানবা গোল অদুনা অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা রেফরিনা মহাকপু য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

ষ্টেটকী নুপীমচাশিংগী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা অনীশুবা হাফতা সেলিয়ানা শান্নবগী ৬৩ শুবা মিনটতা মহাক্কী ২শুবা অমদি মণিপুরগী মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্কী হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ৮৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

### মণিপুর ষ্টেট লীগ
# তেলহৈবগী গোলনা নিসা থাংমৈবন্দ মায় পাকহনখ্রে

MSL - 2022

ইম্ফাল,নভেম্বর ১০(ঐচএনএস): হুইদ্রোম তেলহৈবনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭৮ শুবা মিনটতা চনখিবা গোলগী মতেংনা নোর্থ ইম্ফাল স্পোর্টিং এসোসিএসন (নিসা) থাংমৈবন্দনা নম্বুল মপাল এথলেটিক্স এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (নাকো)বু ১-০দা চথরিবা ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখিবনি। অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা রেফরি থোঙাম রোবিননা নিসাগী সটগৌলাল তৌবোইবু য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অমরোমদা, গ্রুপ এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কৈনৌ লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (ক্লাসা)না সগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

পাঙন্থম নাওবা মৈতৈনা শান্নবা হৌরকপগী ১৮শুবা মিনটতা ক্লাসাগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। সুধির লাইতোঞ্জমনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫০ শুবা মিনটতা ক্লাসাগী অনীশুবা গোল চনখি। অদুগা নিংথৌজম মোমোচানা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ৮শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনখিবনি।

সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী গোল ২ অদুনা হাওবিজম প্রেমানন্দ অমদি ঙরাইপম কসোমৰুংনা শান্নবগী ৫৮ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা অমমম্ চনবা ঙমখি।

# গোল্ড মেদলিষ্ট রোলেশ তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ১০(ঐচএনএস): ন্যু দেল্লীগী টলকোটারা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২দগী ৬ফাওবা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ৱাকো ইন্দিয়া ওপন ইন্টরনেসনল কিক্ বোক্সিং টুর্নামেন্টতা চহী ১৭-১৮ কাঙলূপকী লো কিক্ (রিং) ইভেন্টকী কেজি ৬৩.৫ কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংলকখিবা ওক্রম রোলেশপু মহাক্কী পোক্নফম লমদম য়ৌরকপগা কবো লৈকাই দিভলপমেন্ট এসোসিএসননা শীন্দুনা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মহাক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক পার্ট-৩ কবো লৈকাইদগী ওক্রম বিরো অমদি ওক্রম ওংবী ইবোবীগী মচানুপানি।

অচম্বা থৌরম অদুদা সোসল ৱর্কর থোকচোম ধর্মেন্দ্র, কোচ কে ঐচ বোবী অমদি হৈরোক পার্ট-২গী ৱার্দ মেম্বর নিংথৌজম মংলেমনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, পেরেন্টস এসোসিএসন ওফ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এমেচর এসোসিএসন ওফ কিক্ বোক্সিং ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা থৌবাল নিংঙোম্থম উথা কম্ম্যুনিটি হোলদা ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংদা অচম্বা খূদোল পীদুনা ইকাই খুম্নখি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরনা টুর্নামেন্ট অদুদা গোল্ড ২১, সিলভর ১৬ অমদি ব্রোঞ্জ ৪১ পূন্না মেদল ৭৮ ফংদুনা ৫শুবা পোজিসন তারকখিবনি।

### ষ্টেট সিনিয়র মেন্স ভোলিবোল
# এম পি এস সী অমদি কে ৱাই এল এস সী ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১০(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী ভোলিবোল কোর্টতা চথরিবা ২১শুবা সিনিয়র মেন্স ষ্টেট ভোলিবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) অমদি কে ৱাই এল এস সী কাচিখুল অনীনা থা অসিগী ১১গী নুংথিল পুং ১দা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা এম পি এস সীনা টি আর ৱাই ভি সী কামজোংবু সেট ৩-১ (২৩-২৫, ২৫-১৯, ২৫-১৩, ২৬-২৪)দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা কে ৱাই এল এস সী কাচিখুলনা এ এম আই এম ৱাই দি ও ময়াং ইম্ফালবু ষ্ট্রেট সেট ৩-০ (২৫-১৮, ২৫-১৫, ২৫-২০)দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভোলিবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এল জগিন্দ্রো, ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এন জি ইনাওচা অমদি এদভাইজর এস নন্দকুমারনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াগনি।

# আর কে ইমো মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট খনখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ১০(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম এন সী এ)গী ওফিসতা ২০২২-২৫ ফাওবগী প্রসিদেন্টকী থৌ পুনবা সগোলবন্দগী রাজকুমার ইমোবু খনখ্রে।

নোর্থ এ ও সীদা লৈবা ইম্ফাল হোটেলগী ক্লাসিক শিরোই কনফরেন্স হোলদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী ৪৭ শুবা এন্যুএল জেনরেল মীটিংগী মনুং চন্না নাওরেম প্রভিননা ইলেক্টোরেল ওফিসর ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীখলনা খনখিবনি।

লাইরেঞ্জম গীতরঞ্জনবু ভাইস প্রসিদেন্ট, লৈশাংথেম রোনেলবু সেক্রেটরি, সয়দ সুল্টান অহমদনা জোইন্ট সেক্রেটরি অমদি চোংথাম নিশিকান্তনা ট্রেজরর ওইনা খনখি।

জেনরেল বোদিনা নাওরেম উমাকান্তবু লিগেল এদভাইজর অদুগা আর কে জেন এন্দ এসোসিএটপু ওদিটর ওইবগী অয়াবা পীখি।

# ঈ-সর্টিফিকেট কোর্স ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১০(ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)গী ঈ-সর্টিফিকেট কোর্স ইম্ফালদা থা অসিগী ২১দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না অম্ফাগী সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।

শরুক য়ানিংবা কেন্দিদেটশিংনা coaching.the-aiff.com দা রেজিষ্টর তৌনবা খঙহল্লক্লি। কোচিং পোর্টেল নভেম্বর ১৩দগী হাংলগনি।

# মুক্না যাত্রা কুঞ্জেশ্বর লৈখিদ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১০(ঐচএনএস): মুক্না যাত্রা ওইরম্বা মোইরাংথেম কুঞ্জেশ্বর মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা খাঙবোক পার্ট-৩ মখা লৈকাইদা লৈবা মশাগী ময়ূমদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লৈখিদ্রে। মহাক চহী ৭৬ শুখ্রে।

মহাক লময়ানবা হিজম ইরাবতকা য়াম্না নকশিন্নরম্বা লৈখিদ্রবা কোমরেদ মোইরাংথেম তম্ফাগী মচানুপানি।

### দি এস এ ককচীং সেকেন্দ দিভিজন লীগ লোইশিনখ্রে
# রোয়ল এফ সীনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১০(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা দবল লেগ বেসিসতা চথরকপা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা রোয়ল ফুটবোল ক্লব (আর এফ সী) হিয়াংলম ৱাবগাইনা পূন্না মেটচ ৪ শান্নবদা মরিমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ১২ ফংলগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

কাদাজিৎ য়ুঠ ৱেলফেয়র এসোসিএটেদ ক্লব (কে ৱাই দব্লিয়ু এ সী) ৱাবগাইনা পোইন্ট ৬ ফংলগা অনীশুবা অমদি এফ সী ককচীং খুনৌনা পোইন্ট অমত্তা ফংদনা অহুমশুবা মফমদা লৈখ্রে।

লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেটচতা কে ৱাই দব্লিয়ু এ সী ৱাবগাই কাদাজিৎনা এফ সী ককচীং খুনৌবু ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

কে ৱাই দব্লিয়ু এ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ঈ জোটিননা শান্নবগী ২০ শুবা মিনটতা গোল ১ অদুগা এম শিতলনা শান্নবগী ৪২ অমদি ৫১ শুবা মিনটতা গোল ২ চনবা ঙমখি।

এফ সী ককচীং খুনৌগী গোল ২ অদুনা এস জয়মনি অমদি কে ঐচ থোইথোইবনা শান্নবগী ২৪ অমদি ৩৭ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি দেরেক মরিংনা ৱাবগাই কাদাজিৎকী ঐচ সুশিলবু শান্নবগী ২৮ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি। রাজেশ কোম অমদি টি ঐচ বিরকুমারনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ওইখি।

### ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২
# লৈবাক ১৬কী ফুল স্কৱাদ লিষ্ট লাউথোকখ্রে




## নুমিৎ ৯নিগী মতুংদদি মীয়াম পূন্না ঙাইমিন্নরকপা উবা ফংলগনি

ফিফা ৱর্ল্ড কপ হৌগদবা চয়োল অমমুক্তা ঙাইশিল্লক্লবা অসিদা শরুক য়াগদবা লৈবাক ৩২না মখোয়-মখোয়গী স্কৱাদ খন্ননবা মীৎয়েং থম্নরি। লৈবাক অমমম্দা য়ামদ্রবদা শান্নরোয় ২৩ অমদি য়াম্লবদা শান্নরোয় ২৬ ওইগদবা স্কৱাদ অসিগী মনুংদা গোলকিপর ৩ য়াওরি।

ফিফানা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না লৈবাক খূদিংমক্না মখোয়-মখোয়গী স্কৱাদকী লিষ্ট নভেম্বর ১৪, নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ু কেগী মতমদা নুংথিল পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি। মথংগী নুমিৎ নভেম্বর ১৫ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা স্কৱাদকী লিষ্টশিং ওফিসল ওইনা ফোঙগদবনি।




হৌজিক ফাওবদা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিগীদমক লৈবাক ১৬না মখোয়-মখোয়গী স্কৱাদকী লিষ্টশিং লাউথোকখ্রে। লৈবাকশিং অদুদি গ্রুপ বিগী ইংলেন্দ, য়ু এস এ, ৱেলস; গ্রুপ সীগী পোলেন্দ; গ্রুপ দিগী ফ্রান্স, অষ্ট্রেলিয়া, দেনমার্ক; গ্রুপ ঈগী কোষ্টা রিকা, জর্মনি, জপান; গ্রুপ এফকী বেলজিয়ম, মোরোক্কো, ক্রোএসিয়া; গ্রুপ জিগী ব্রাজিল, স্বিটজরলেন্দ অমদি কেমরুননি।

ব্রাজিলগী ওইনা স্কৱাদ লাউথোরকপদা রোবর্টো ফর্মিনো য়াওরক্ত্রে অদুবু দেনি এলভিসতি স্কৱাদ লিষ্টতা য়াওখ্রে। শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা এলিসন (লিভরপুল), ইদর্সন (মেঞ্চেষ্টর সিটি), ৱেভর্টন (পলমেরস); দিফেন্দরদা ব্রিমর (জুভেন্টস), ইদর মিলিটাও (রিয়াল মাদ্রিদ), মার্কিনহোস (পেরিস সেন্ট জর্মেন), থিয়াগো সিলভা (চেলসি), দেনিলো (জুভেন্টস), দেনি অলভেস (য়ু এন এ এম পুমাস), এলেক্স সেন্দ্রো (জুভেন্টস), এলেক্স টেলিস (সিভিয়া)নি।

মিদফিল্ডরদা ব্রুনো গুইমরেজ (ন্যু কাসল য়ুনাইটেদ), কেসমিরো (মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ), ইভর্টন রিবৈরো (ফ্লেমেঙ্গো), ফেবিনহো (লিভরপুল), ফ্রেদ (মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ), লুকাস পেকিতা (ৱেষ্ট হেম য়ুনাইটেদ); ফোরৱার্দতা এন্টোনি (মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ), গ্রেব্রিএল জিজস (অর্সনেল), গ্রেব্রিএল মার্টিনেলি (অর্সনেল), নেমার জুনিয়র (পেরিস সেন্ট জর্মেন), পেদ্রো (ফ্লেমেঙ্গো), রাফিনহা (বর্সেলোনা), রিচার্লিসন (টোটেনহাম হোটস্পর), রোদ্রিগো (রিয়াল মাদ্রিদ) অমদি ভিনিসিয়স জুনিয়র (রিয়াল মাদ্রিদ)নি।

# চিলদ্রেন্স দে চেছ টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১০(ঐচএনএস): চিলদ্রেন্স দেগা মরী লৈননা দি-চেছ একাদেমিনা শীন্দুনা ক্লাস কেজিদগী ১০ ফাওবগী ওইবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ৱান দে চিলদ্রেন চেছ টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১৩গী অয়ুক পুং ১০দা একাদেমি অসিগী শঙ্গাইদা পাঙথোক্লগনি। শরুক য়ানিংবশিংনা একাদেমিগী হেদ কোচ য়াম্বেম ধনবিরদা থা অসিগী ১২ ফাওবগী মনুংদা পাউ ফাওরক্নবা খঙহল্লক্লি।

### মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ
# ৱাফা, কে এ এল ৱাই সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১০(ঐচএনএস): মালোমগী ৱাই দব্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৫শুবা এস ঐচ মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা ৱাফা ৱাঙ্গোইনা ক্রিপসা নাওরেমথোংবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাঙ্গোইগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এল জেক্সননা ২ অমদি সী ঐচ দ্রেমজিৎনা ১ চনখি। ক্রিপসাগী গোল অদুনা উমাকান্তনা চনখিবনি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে এ এল ৱাই সী চজিং করাম্না ৱাই এ সী য়ুরেম্বমবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

চজিং টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু নিবসননা ২ অমদি সন্তোশনা ১ চনখি। য়ুরেম্বমগী গোল অদুনা রোবর্টো কার্লোনা চনখিবনি।

# দিষ্ট্রিক্ট ৩গী বোক্সিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১০(ঐচএনএস): মাবানা শীন্দুনা থা অসিগী ২৩দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট রিপ্রজেন্ট তৌনবা ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরিনাদা নভেম্বর ১৩দা, বিষ্ণুপুরগী ওইনা নম্বোল সাবল লৈকাই য়ুঠ ক্লব এন্দ লাইব্রেরিদা নভেম্বর ১২দা, থৌবালগী ওইনা ৱাংজিং হৈতুপপোকপীদা লৈবা মহেশ বোক্সিং কোচিং সেন্টরদা থা অসিগী ১৪দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।


# সুপর ১১ চান্দেল, ২১ এ আর মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১০(ঐচএনএস): ক্রিকেট ক্লব কপামনা শীন্দুনা চথরিবা অহানবা কপাম ওপন টি-২০ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সুপর ১১ চান্দেলনা জাফৌ ক্রিকেট টিমবু রন ১৩দা মায়থীবা পীখ্রে। সুপর ১১না অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ১৫দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৩৯ লৌবা ঙমখি। অদুগা জাফৌনা ওভর ১৫দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১২৬ লৌদুনা সুপর ১১গী মখূৎতা রন ১৩দা মায়থীখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ২১ এ আরনা ক্রিকেট মেনিএকপু রন ৪৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7775/2/10,11,12/10-2/12(alt)

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 625**

**GM VI Georgiev (2441) - CM Rushaan Mahajan (2051)**
**Hollywood Norm Classic #3 Los Angeles USA, 2022.08.04**

1.d4 Nf6 2.c4 e6 3.Nc3 Bb4 4.e3 O-O 5.Bd3 Re8 6.Nge2 d5 7.a3 Bf8 8.O-O b6 9.cxd5 exd5 10.b4 c6 11.Rb1 c5 12.bxc5 bxc5 13.dxc5 Bxc5 14.Nf4 Bg4 15.Qc2 Nbd7 16.h3 Be6 17.Rd1 Rc8 18.Ba6 Rc7 19.Nb5 Rc6 20.Bb7 Rb6 21.Bxd5 Nxd5 22.Nxd5 Rb7 23.Nf4 Qg5 24.Nxe6 Rxe6 25.Nd4 Rg6 26.Qxg6 hxg6 27.Rxb7 Ne5 28.Rb8+ Kh7 29.Bb2 Qh5 30.Rf1 Nc4 31.Nf3 Bd6 32.g4 Qd5 33.e4 Qa5 34. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 624 Ans. :**

19. ...Rxh2+ The black rook decoys White's king. 20. Kxh2 Rh8+ 21. Bh3 Qxb2+ The black queen attacks White's king, which is defending White's bishop. 22. Kh1 Rxh3#

19. ...Rxh2+ 20. Kxh2 Rh8+ 21. Bh3 Qxb2+
0-1



HL-P/4575/1-30/11

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com